**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-11-2024)**

**বন্দ (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা লুপ ১৩ না পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দ কৌখ্রে।

ইপসা, পান্দম, অকোম লুপ, ইপাক, কে.এস.এ, কংলামৈ, কে.আই.এল, সি.এল.কে, ই.আর.দি.ও, অক্সিল, এম.আই.কে.এল, এস. ডব্লিয়ু.এ, অমসুং লোয়ালুপনা টোটেল সটদাউন্দ অদু কৌখিবনি।

কৈশাম্পাৎ অহৈবম লৈকাই-ইম্ফালদা লৈবা ইপসাগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ ১৩ অসিনা ঙসি নুমিদাং পুং তরুক্তগী হয়েং নুমিদাং পুং তরুক ফাওবা টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখিবনি।

পাউগী মীফম অদুনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম, জিরিবামদগী মীতৈ ১১ হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা অমদি নেসনেল হায়ৱেশিং থিংজিনদুনা মীয়ামদা অৱাবা পীরিবা অসি সরকারনা অথ্বা মতমদা থবক পায়খৎকদবনি।

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুর পুলিসকী আই.জি.পি. (ওরেসন) আই.কে. মুইভানা হায়রি-জিরিবাম জিলাগী বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসন অমসুং জাকুরাধোরদা লৈবা সি.আর.পি.এফ. পোষ্টতা মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকখিবা অদু সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মতিক চানা পাউখুম পীখি। মহাকা হায়-হায়রিবা পুলিস ষ্টেসন অসি লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী কেম্পসু ওইরিবনি।

ইম্ফালদা লৈবা পুলিস হেদক্বাটরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মুইভানা হায়-ঙরাং নুংথিল পুং অনি মখায় অমসুং পুং অহুম অদুৱাইদা পুলিস ষ্টেসন অমসুং সি.আর.পি.এফ. পোষ্টতা আর.পি.জি. অমসুং ওটোমেটিক

খুৎলায় শিন্নদুনা অকনবা মওংদা লান্দারকখি। লান্দারকপা অদুদা মনাক্তা লৈবা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকখি অমদি খরা অমনা মৈ চাকখি।

মহাকা হায়-লান্দারকপা অদুদা সিভিল পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী মায়কৈদগীস্ হন্দুনা মিনিট ৪৫ রোম নোংমৈ কাপখি। তুংদা, সেক্যুরিতি ফোর্সেনা মফম অদুদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মিলিটেন্ট তরাগী হকচাং ফংবা ঙমখি। লোয়ননা এ.কে. রাইফল অহুম, এস.এল.আর. মরি, ইনছার্স রাইফল অনি, আর.পি.জি. অমা, পম্প এক্সন নোংমৈ অমা, বুল্লেট প্রুব হেলমেট অমসুং মেগজিন ফাগৎপা ঙমখি।

মহাকা মখা তানা হায়-নোংমৈ কাপবা অদুদা সি.আর.পি.এফকী কন্সটেবল অমা অশোক অপন নংখি অমদি হৌজিক মহাক লায়েং চথরি। থৌদোক অদুগী মতুংদা মফম অদুদা অসাম রাইফল, সি.আর.পি.এফ অমসুং সিভিল পুলিসকী অহেনবা ফোর্স চংশিনদুনা বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা জাকারাধোরদা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। থিবা হুন্বগী থবক অদুদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীচম অনিগী হকচাং ফংবা ঙমখি। মখোয় মোধুপুরদগী ঙাক্তনি।

শ্রী মুইভানা হায়-লাঞ্জেন্নরকপা মীওই তরুক-নুপী অহুম অমসুং অঙাং অহুম হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি। মখোয়বু ফংনবা থিবা হুন্বগী থবক চথরি।

**জিরি (এল)ঃ** কুকি-জো মার খুৎলাই পায়বশিংনা অফবা মখলগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা জিরিবামগী বোড়োবেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা জকুরাধোর কারোং অমসুং হরিনরগদা ঙরাং নুংথিল চথরকখিবা এটেক অদুবু জিরি অপুনবা লুপনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিগী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মখোয়না য়ুম ১৬ মৈ থাদোক্লম্বগা লোয়ননা মীওই তরুক ফাদুনা পুখি। ফাখ্রবা মীওইশিং অথুবা মতমদা কনদুনা মখোয় মখোয়গী ইমুংশিংদা পুং ২৪ গী মনুংদা খুৎশিন্নবা

সরকারনা থৌরাং লৌখৎনবা লুপ অসিনা আপিল তৌরক্নি।

সলাই কনবা লুপ-থৌবাল মনিপুরনসু জিরিবাম জিলাদগী মীওই তরুক ফাদুনা পুখিবা অদু সরকারনা অথুবা মতমদা তেক্ত-কায়দনা, অশোয় অঙাম য়াওদনা কন্নবা হোৎনবীয়ু।

**কোকোমি (এল)ঃ** ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন কৈথেল অমদি মশিগী অকোইবদা লৈরিবা কৈথেলশিংদা পোৎ-চৈ মমল হেন্না য়োল্লম্বা অমদি গোদাউন্দা পৈশিন্দুনা থল্লম্বা দুকানশিং কোকোমী ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী কাংবুনা য়েংশিনখ্রে।

মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱেশিংদা পোৎচৈ পুশিল্লকপা য়াদবগী খুদোংচবা লৌদুনা দুকান ফঙ্লিবা করবারৱালাশিংনা পোৎচৈ মমল হেন্না য়োনব্রা নত্রগা মখোয় মখোয়গী গোদাউন্দশিংদা পৈশিন্দুনা থম্ব্রা হায়না ঙসি কোকোমী ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা ড্রাইভ অমা চথখি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না নেসনেল হায়ৱেশিংদা হৌজিক পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরবসু মসিগী মমাঙদা পুশিল্লকপা পোৎচৈশিং গোদাউন্দদা থমদুনা হায়ৱে থিংলি হায়বগী নমাদা মমল তাংনা য়োল্লে হায়না পাউ ফংবদগী ড্রাইভ অসি চথবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী খ্বাইরম্বন কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা কৈথেলশিং-নাগা মপাল, থাঙ্গাল বজার, পাউনা বজারনচিংবদা দুকানশিংদা ড্রাইভ অসি চথখি। মদুদা, সরকারনা লেপ্পা মমলদগী য়ামা কা হেন্নো মমল ৱাংনা য়োল্লম্বা কয়া থেংনখি।

কঞ্জুমর ক্লব মনিপুরনা হায়রি-মপানদগী পোৎচৈ পুশিল্লক্কুনা মীয়ামগী মতেং পাংলিবা করবার তৌরিবা মীয়ামনা পোৎ-চৈ য়োনবীবা মতমদা কঞ্জুমরশিংদগী মমল হেন্না লৌদুনা পোৎ চৈ য়োনবীদনবা আপিল তৌরক্নি।

**উৎসব ঃ** রাজ্য থাক্কী কলা উৎসব ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখ্রে। সমগ্র শিক্ষা

মণিপুরনা শিন্দুনা ঙরাংদগী চথুরকপা উৎসব অসিগী ঙসি লোইশিনবা থৌরম ইম্ফালগী জৱাহরলাল মণিপুর দান্স একাদমিদা পাঙথোকখি।

কেটেগোরি তরুক-ভোকেল, ইস্ত্রুমেন্তেল, ত্রেদিস্নেল ষ্টোরি তেল্লিং, ভিজ্যএল আর্ট, দান্স অমসুং থিয়েতরগী লমদা জিলা থাক্তগী খনগৎলক্লবা মহৈরোইশিংনা রাজ্য থাক্কী উৎসব অসিদা শরুক য়াখি । মসিদগী খনগৎলবা মহৈরোইশিংনা জানুৱারীদা মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা পাঙথোক্কদৌরিবা জাতি থাক্কী কলা উৎসবতা মণিপুরগী মহুৎ শিনগনি।

ঙসিগী কলা উৎসব লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ইজ্কেসন(এস) কী দাইরেক্টর অমসুং ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তর সমগ্র শিক্ষা মনিপুর-লাইশ্রম নন্দকুমার সিংহনা হায়-কলা উৎসব পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, শিক্ষাগী লমদা কালা সংস্কৃত্তি চাউখৎহন্নবনি। মহাকা হায়-কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না ইং কুমজা ২০১৫ দগী পায়খৎলকপনি।

**মেলা (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী রুরেল দিবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়েটি রাজগী ষ্টেট রুরেল লাইলিহুদ মীসননা শিনদুনা সেনাপতি জিলাগী খাবুং কারোং গ্রাউন্দদা লৈবা সনয়ি ধারি মেমোরিএল স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ৫ দগী চথুরকপা ১৭ শুবা রিজনেল সারজ মেলা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি মামোনি দোলেনা হায়-লমদম অসিদা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। অসিগুম্বা মেলাশিং তুংদা তোইনা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লদুনা মেলা অসিদা শরুক য়ারিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা মেলা অসিদগী কান্নবশিং করি করিনো হায়বদু খঙহনবীরকবা মহাকা হায়খি। মেলা অসিদা তেংনৌপল, চান্দেল, তমেংলোং, নোনে, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, কাংপোকপী অমসুং সেনাপতি জিলাদগী লাকপা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৭০ না শরুক য়াখি।

**পোষ্ট ওফিস (এল)ঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টনা শিনদুনা নোর্থ ইষ্ট সার্কলগী ওইবা য়ুনিভরসিএল পোষ্টেল য়ুনিয়নগী ইন্টরনেসনেল লেট্টর রাইটিং কম্পিটিসনদা অহানবা মনা ফংল্লকখ্রবা শ্রী নোংথাংঙম্বা টেলেন্টবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি সুপ্রিনটেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিস-মনিপুর দিভিজন ইম্ফালগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

চহি ১৪ খক্তং ঙাযরিবা সৈনিক স্কুলগী মহৈরোই অসিনা চাংদমবা অসিদা অহানবা মনা ফংল্লকখিবনি।

**ফোরেষ্ট(এল)ঃ** লমলক্কী শা-উচেকশিং লল্লোনবা থিংবা পান্দমদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন মনিপুরনা শাফু হায়রগা খঙনবা চাইনিজ পেনগোলিনগী মকু কিলোগ্রাম মরি ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী চিংমৈরোং খোঙনাং অনি কারক্তগী ফারে।

শাগী মকু অদু মীওই অমনা পুদুনা লাকপনি।

**লাইরিক (এল)ঃ** ‘লোক্তাক য়াইবীরেল’ হায়না মিংথোনবা হাউবিজম চাউবা সিংহনা ইবা লাইরিক অমা ঙসি লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনিকুমারনা ফোংখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্ট সোসিএল রিফোরমেসন এন্দ সঙাই প্রোটেক্সন ফোরমনা শিনদুনা কৈবুল ইমা থওইবী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লাইরিক অদু ফোংখিবনি। লোক্তাক পাৎ করমা হৌরকখি, হৌজিক করি ফিভমদা লৈরি হায়বসিগী মতাংদা হৌরক্লিবা মীয়ামদা খঙহন্নবা লাইরিকনি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১৩৭-তমেংলোং-মহর রোড এফেক্টেদ লেন্দ এন্দ প্রোপরতি ওন্নরস কমিতিনা থা অসিগী ৫ দা পাঙথোকখিবা মীফমনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭-দাইলোংদগী জিরি তুরেল ফাওবগী লম্বী শেমজিনবগী

থবক থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি। মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা লমগী মতিক চাবা সর্ভে তৌদবা অমসুং মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন পীদবনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**ঝরখন্দ ঃ** ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী হয়েং থাদননবা শেম শাবা লোয়রে। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৩ দা ভোট থাদনগনি।

অকাশবানি পাউমানা হায়-পোল্লিং পার্সোনেলশিং মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থুংনবা হৌখ্রে। তাঙ্কক অসিগীদমক পুন্না পোল্লিং বুথ লিশিং ১৫,৩৪৪ হাংদোক্লি। মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী কম্পানি ২০০ হেন্না শিজিন্নরি। ভোট অয়ুক পুং ৭ তগী থাদরগা নুংমিদাংৱাইরম পুং ৫ দা লোয়শিনগনি। অদুমওইনমক, কেন্দ্র ৩১ গী ইরাং থোক্কনবা পোল্লিং বুথ ৯৫০ দদি ভোট থাদবগী মতম নুমিদাংৱাইরম পুং মরি ফাওবদং ওইগনি। ভোট কোতি অমা লাখ ৩৭ না নুপী মীরেপ ৭৩ য়াওনা পুন্না মীরেপ ৬৮৩ গী মরাইবক লেপকনি।

মরক অসিদা, থা অসিগ ২০ দা ভোট থাদনগদৌরিবা ঝরখন্দগী বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ অমসুং মহরাস্ত্রগী বিধান সভা কেন্দ্র ২৮৮ কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মহারাস্ত্রাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঝরখন্দদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। ভোট মশিং থা অসিগী ২৩ দা থিগনি।

**এনআইএঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এ.আই.এ) না ত্রিপুরাগী সেপাহিজলা জিলাগী সোনামুরা লমদমদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

অল কাইদানা ভারত্তা বঙ্গলাদেস মচা খরা য়াওরগা চরাংনবা থোকহন্নবা

হোৎনরিবা অদুগা মরী লৈননা থিবা হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি।

সরকারগী পাউনা হায়-বি.এস.এফ, রাজ্য পুলিস অমসুং এন.আই.এনা সোনামুরা পুলিস ষ্টেসনগী য়ু.এন.সি. নাগর অমসুং এন.সি. নাগরদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথখি। এন.আই.এনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু থিবা হুম্বগী থবক চথখি।

জম্মু কাশ্মির, করনাতক্কা, নোংচুপ বেঙ্গোল, বিহার, ত্রিপুরা অমসুং অসামদা টেরোরিষ্ট লুপ অল কাইদাবু শৌগৎপা অমসুং শেল থাদবা মীওইশিংগা মরী লৈনবা মফম ৯ অসিদা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি। এন.আই.এনা হায়-থিবা হুম্বগী থবক অদুদা অল কাইদাদা শেল থাদবগা মরী লৈনবা চে-চাং কয়ামরুম ফাগৎলে।

**জল শক্তিঃ** কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি-সি.আর. পতেলনা হায়রি-ভারতকী শে ম্রীৎলোন অসি ৱাটর রিছোর্সেসতা মীপাল তাংবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ৱাটর বোদিশিং কনবা অমসুং হিংগৎহনবা তঙাইফদে।

গুৱাহাতিদা নুমিৎ নিনি চথগদবা স্প্রিং সেট মেনেজমেন্টগী মীফম হৌদোক্লদুনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঈশিংগী হৌরকফমশিং কন্নবা মীয়ামবু ভাব তাহনবা তঙাইফদে। নৎত্রবদি ঐখোয়গী তং্গী পুন্সি অসি মমি শাল্লকপা য়াই। মহাকা হায়-ভারতনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইনবা মঙলিবা মঙলান অসি মতিক চাবা ৱাটর রিছোর্সেস লৈত্রবদি ওইথোক্লোই। তুংদা, মন্ত্রিনা ব্রহ্মপুত্র বোর্ডকী ১৩ শুবা অৱাংবা থাক্কী মীফম সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি।

**কাং (এল)ঃ** ৱালিদা ৱাবগাই কাংশঙদা চথরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল লিখ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা এল.এস.কে.-ৱাঙ্গোইনা ৱালিদা ৱাবগাইবু পাঞ্জল ১৪-১৩ দা থোইখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেল লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা নম্বোলগা হোর্গকা শান্নগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী লৌরেংবম লৈকাইদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল এস.দি.পি.ও. চিংথাম অনন্দকুমার মেমোরিএল ভেটেরিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.এফ.সিনা চেম-এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্লেগ অমসুং ভি.এফ.সি. টিম (বি) পাঞ্জল চান্নদনা দ্রো চৎখি।

**খোখো (এল)ঃ** দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা দি.এম. য়ু. ইন্টর কলেজ মেন্স খোখো টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা দি.এম. (সাইন্স) না দি.এম. য়ুনিভরসিতিবু পাঞ্জল ২৬-১৬ তা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা দি.এম. সাইন্সকী চন্দ্রথোই করামনা ভেষ্ট প্লেয়ার তারে।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-টি.সি.এম.দি.সি-থোংজ্না পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট অহুমদা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট মঙাদা থোইখি।

**রেসলিং (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট আম রেসলিং চেম্পিয়নসিপ, থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা সি.আর.এল.সি. কম্যুনিতি হোল-সেগা রোর্ড খ্বাইরাকপম লৈকাইদা পাঙথোক্লগনি।

য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা এসোসিয়েসন অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি।